# ওলেম্পিক অমসুং পোলিটিক্স

## লৈশাংথেম অজিৎ

***ওলেম্পিক্কা*** পোলিটিক্সকা লাপ্পনা লৈগদবনি তৌইগুম্বসুং মমাঙঙৈদগী হৌনা মখোয় অনী অসি খায়দোক্লবা ঙমদনা অদুমক লাক্লি। মালেম অসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গেনাইজেসন অমসুং ওলেম্পিক্সপু মীয়াম্না ইকায়খুম্নরি মদুদি মফম অনী অসিদদি মালেমগী মফম খুদিংমক্তগী মীওইশিংগী পুনফম ওইরি। য়ুনাইটেদ নেসন্সদদি লৈবাক অমগী মীহুৎশিং লৈঙাক্লা (লৈঙাকপশিংনা) খল্লগা থারকই, দিক্টেটরশিংনা লৈঙাকপা, নিংথৌগী ইমুংনা লৈঙাকপা, পোলিটিকেল পার্টি অমখক্তনা লৈঙাকপা (ওপোজিসন পার্টি লৈতবা) লৈবাক্কী মীহুৎশিংদি অফবা মী ওইগন্দে, ফত্তবা লৈবাক্কী খন্দবা মীওইশিংনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী মীহুৎসু ইনাক খুনবা, লাইরিক হৈবা চিংহল্লি।

ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা লাক্লিবদি লায়রবসু, ইনাকখুনবসু, থবক মচা তৌবসু, থবক অচৌবা তৌদুনা ফম্নাইবা ওইবশিং, লৌ উবা, উ শুবা, য়ূম পান্দুনা য়ূম্বীরেন্বী ওইবী নুপীশিং, প্রোফেসর, ডাক্তর, উকিল, মহৈরোয়, লল্লোন ইতিক তৌবনচিংবসুনি। ময়াম অসিগী মরক্তা নিংথৌগী ইমুং মনুং অমসুং থবক ফংদবা মীওইশিংসু য়াওরি। য়ুনাইটেদ নেসন্সদা পোলিটিক্সনা অচৌবা শক্তম লৌবগুম্না ওলেম্পিক্তসু পোলিটিক্স চঙদবা য়াদ্রবা অচৌবা মচাক অমা ওইরক্লি।

পোলিটিক্সনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯৮০ দা সোভিয়েয যুনিয়ন (রসিয়া) গী কোনুং মোস্কোদা অমসুং কুমজা ১৯৮৪ দা য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলেম্পিক গেমস মপূং ফাখিদে, শান্নবদা মতিক মগুন লৈরবা লৈবাকশিং শরুক য়াখিদে। মরম অসিনা মতিক চাদবা শান্নরোয়শিংনা মমল য়াম্লবা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংখি। কুমজা ১৯৮০ গী মতমদা আফঘানিষ্টান্দা রসিয়াগী লান্মী থমদুনা লৈবাক অদুদা পানবা লৈঙাক অদুবু শৌগৎপদা মতেং পাঙহল্লি। মদু মালেমগী চৎনবী নত্তে। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংনা য়ানিংদবগী খোল্লাউ লাউদুনা ৰাকৎ কয়া অমুক থাঙ্গৎনরকখি। অমেরিকানা লুচিংবা নোংচুপ লোমগী লৈবাকশিংনা সোভিয়েট লৈবাক্কী থৌওং অদুগী মায়োক্তা লৈখি। মরম অদুনা মোস্কোদা কুমজা ১৯৮০ দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা অমেরিকানা লুচিংদুনা নোংচুপ লোমগী দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিং ওলেম্পিক অদুদা শরুক য়াখিদে। লিবেরিয়া কৌবা অনৌবা লৈবাক অমা থারগা পূন্না লৈবাক ৮১ খক্তমক শরুক য়াখি। লৈবাক ৬১ না শরুক য়াখিদে। অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট জিমি কাটরবু কন্না শৌগৎখিবদি নোংচুপ জর্মন, জপান অমসুং চাইনানি। বোইকোট তৌরিবা লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা য়ুনাইটেদ কিংদম, স্পেন, ফ্রান্সনচিংবা লৈবাক খরদি মখোয় মখোয়গী নেসনল ওলেম্পিক্কী কম্মিটিগী মহুৎ শিল্লগা মরন্নাই ওইনা শরুক য়াবা য়াহনখি। জিমি কাটরনা বোক্সিং থিন্নবদা ওলেম্পিক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা মেহমদ অলিবু অফ্রিকাগী তাঞ্জানিয়া, নাইজেরিয়া অমসুং সেনেগালদা লৈবাকশিং অদুবু ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদনবা পাউজেল পীনবা থাখি। অসুম্না ওলেম্পিক্তা পোলিটিক্সনা অচৌবা খোঙথাং অমা থাংজিল্লকপা জিমি কাটরগী খোঙথাং অসিবু মালেম পূম্বনা য়ানিংদে।

চহী মরি লৈরগা অমেরিকাগী সহর লোস এঞ্জেলসতা কুমজা ১৯৮৪ দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা সোভিয়েট লৈবাক্লা লুচিংদুনা কমুনিষ্ট লৈবাক অমদি সোভিয়েটকা নকশিন্নবা লৈবাকশিং বোইকোট তৌখি। পূন্না লৈবাক ১৯ লোস এঞ্জেলসদা ওলেম্পিক শরুক য়াবা লাকখিদে, মখোয়গী মনুংদা পনবা য়াবদি বুলগেরিয়া, নোংপোক জর্মনি, চেকোসলোভাকিয়া, হঙ্গেরি, পোলেন্দ, ক্যুবা অমদি আফঘানিষ্টান্নচিংবনি। সোভিয়েট লৈবাক অমদি মসিগা লৈঙাক মান্নবা লৈবাকশিংনা গেমস অসিদা বোইকোট তৌখিবগী মরমদি হৌখিবা চহী মরিগী মমাঙদা লোস এঞ্জেলসনা চথখিবা থৌওং অদুগী লমন শিংবনি অদুবু লৈবাক অদুনা বোইকোট তৌবগী মরম পীরিবদি সোভিয়েটকী শান্নরোয়শিংগী পুন্সিদা অমেরিকা মচাশিংনা অকি তুজুংবা পোকহল্লি, মখোয়গী শান্নরোয়শিংবু অশোয় অঙাম থোক্তনবা শেন্নবীবদা থাজবা লৈতে।

কুমজা ১৯৩৩ গী জানুৱারী ৩০ দগী এদোলফ হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাক হেক পায়বগী অনৌ অনৌবা লৈঙাকলোন শেমদুনা জিয়ুশিংবু নমথনবা মখোয়গী মায়োক্তা থবক তৌবা হৌরকখি। নাজিনা Enabling Act অমসুং Nuremberg Law মথং মথং চৎনহন্দুনা জিয়ুশিংবু মাঙনবা তৌরম্মী। মখোয়বু থবক্তগী লৌথোক্লম্মী, লল্লোন ইতিক তৌহল্লমদে, শান্নফমদা চৎপা থিংলম্মী, লায়েংশঙদা দাক্তরশিং থবক তৌহল্লমদে। লৈবাক অদুদা লৈবা শান্নবগী অশিল অরাং তৌবা জিয়ুগী লূপ অনী নত্তনা অতৈদি লোয়নমক থিংজিল্লম্মী। Reich Association of Physical Culture গী Constitution গী মরিশুবা পেরেগ্রাফতা জিয়ুশিংবু মেম্বর ওইবা য়াদে হায়না ইরম্মী। বার্লিন্দা ১১ শুবা সম্মর ওলেম্পিক তৌবা য়ারে হায়বগী ৱারেপ অমা কুমজা ১৯৩১ গী মে থাদা পোষ্টেল ভোট লৌনরবা মতুংদা লেপ্পখি।


লৈবাক ৪৩ না বার্লিনবু য়াখি। লৈবাক ১৬ না মসিগী মায়োক্তা লৈখি, নিপানদি ভোট পীরকখিদে। চহী অদুদা ৱিনটর ওলেম্পিকসু লৈবাক অদুগী Garmisch - Partenkirchen কৌবা মফমদা পাঙথোক্লবা অয়াবসু ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিনা পীখি।

কুমজা ১৯৩৩ গী জুন ৭ তগী ৯ ফাওবা ভেয়েনাদা ফমখিবা ৩১ শুবা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিগী সেসনদা কমিটি অসিগী প্রসিদেন্ট বাইলেট - লেতুরনা জর্মনি লৈঙাক্কী মীহুৎতা ওলেম্পিক গেমস বার্লিন্দা পাঙথোকপা তারবদি ওলেম্পিক্কী চার্টর ঙাক্লা চৎকদবনি হায়খি। মহাক্লা মখা তানা হায়রম্মী, করিগুম্বা জর্মনিনা মদু ঙাক্লা চৎপিদ্রবদি ওলেম্পিক তৌফম বার্লিন্দগী হোংদোকখিবগী ফীভম লৈ। মদুদা নাজিগী মীহুৎশিংনা য়াখি অমদি ১১ শুবা ওলেম্পিক গেমসদা জর্মনিনা জিয়ুগী শান্নরোয়শিং য়াওহন্দবা তৌরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

দাক্তর থিওদর লীৱাল অমসুং ডাক্তর কার্ল রিত্তর ভোন হোল্ট জর্মনিগী মীহুৎ ওইনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিগী মেম্বর ওইরম্মী। মরম অদুনা মখোয় অনী বার্লিন অমসুং গার্মিক পার্টেনকিরচেন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা কালেনগী ওলেম্পিক অমদি নিংথমগী ওলেম্পিক ওর্গেনাইজিং কমিটিগী প্রসিদেন্ট মথংশিংনা ওইরম্মী। মখোয় অনীবু হিটলরনা মহুৎ শিন্দোক্লবা শেম শারম্মী। মরক অসিদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিগী প্রসিদেন্ট বাইলেট লেতুরনা হিটলরগা অথুবা মতমদা উনদুনা মহাক্কী মরুপ অনী অদুবু ইকায়খুম্নবা ওইনা জর্মনিদা ওলেম্পিক তৌনবা পীবনি, মখোয় অনীবু ওর্গেনাইজিং কমিটিগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী তোকহল্লবদি ওলেম্পিক গেমস সহর অনী অসিদগী অতোপ্পা লৈবাক্কী সহরশিংদা হোংখিগনি হায়রম্মী। হিটলর ৱা ঙাঙদনা মহাক্কী থৌরাং অদু তোকখি অদুবু নাজি পার্টিগী মীহুৎ মঙা ওলেম্পিক ওর্গেনাইজিং কমিটিদা য়াওহল্লম্মী।


কুমজা ১৯৩৫ গী সেপ্টেম্বর ১৫ দা হিটলরনা নারেমবর্জ - লো লাউথোক্লম্মী। আইন অদুগী মতুং ইন্না জিয়ুশিংবু মীওইবদগী হন্থবা থাক্কী কাঙলুপনি (মীওইশিংনি) হায়না লৌগদবনি। মরম অসিনা মালেমদা লৈরিবা জিয়ুশিংনা বার্লিন ওলেম্পিক্কী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা খোল্লাউ লাউরম্মী। মালেমগী মফম খুদিংমক্তা বার্লিন ওলেম্পিক্তা শরুক য়াদনবা ৱারেপ লৌনরম্মী।

অমেরিকাগী জিয়ু কোংগ্রেস, লীগ ওফ অমেরিকান - রাইটর্স অমসুং ন্যু য়োর্ক টাইমসনা অমেরিকাগী বার্লিন্দা থাবা পামদে, মসিগী মরমনা অমেরিকান কোংগ্রেসতা ৱাথোক অমা ওইখিরম্মী। ন্যু য়োর্কতা অমেচর এথলেটিক্স য়ুনিয়নগী নেসনল কনভেন্সন অমা পাঙথোক্লম্মী মদুদা মেম্বর ৬১ না য়াওনিংবা, ৫৫ না য়াওনিংদবগী ৱারেপ লৌরম্মী। অরনেস লিজিহেনেক কৌবা আই ও সিদা মেম্বর ওইবা অমেরিকাগী মীহুৎ অমনা বার্লিন গেমসদা অমেরিকা শরুক য়ারোই হায়না অকনবা ফিরেপ অমা লৌরম্মী। মদুগীদমক্তা মহাকপু আই ও সিদগী জুলাই ৩০ দা তান্থোকখি।




# মালংবা ওনখ্রবরা : লোক্তাক খোঙবালগী সুরেস

— দোরেন নাওরেম —



সুরেসকী য়ূম

***হৌখিবা*** ওগষ্ট ২৮ গী পাউচেশিংদা তোংব্রম সুরেস (মালংবা) লৈখিদবগী পাউ থেংনখি। ওন্থোক্লা পান্মুখি নহা ওইরিবা মহৈরোয় ওইবনা। নুংঙাইমন্দবদগী মথংগী নুমিৎ তাং ২৯ নিংথৌকাবা নুমিৎতা মাগী ময়ুম লমদম তৌপোকপী ৱার্দ নম্বর-২ লোক্তাক প্রোজেক্টকী কেনেল মনাক নক্লা লোক্তাক পাৎনা শুমাং মতোলমক্তদা লৈবা য়ুমদা চৎখি। সুরেসকী মমা, মবোক অমদি ময়াম্বশিং থেংনরে ৱারী শাবদগী খঙলে মখোয় অহানবদা কৈবুল চীংমৈ কাইনা চীংজিলদগী হৌরকপনি মথং-মথং য়ুম হোংলকপনা হৌজিক লৈহৌরিবা উপোকপীগী য়ুমসিদা লৈবনি। মখোয়গী মশাগী মশাগী লম লৈতে, মতম-মতমগী তাংদুনা লৈবনি। হৌজিক লৈরিবা মফমসিসু খুলগী লমনি। মফমসি টুরিষ্ট সেন্টর শানবগী থৌরাং লৈরবনা হোংদোকখিনবা হায়বসু লৈরে। মখোয় কনাগসু য়ুমলোন্নদে, য়ুমদোকপোক ওইনা খুলগী চিদাইদা লোক্তাক খোংবান নপ্পা শাইদাংদুনা লৈবনি। নোংমগী অফংবা থবক শূদুনা চাবা ইমুংনি। মচিন-মনাও নুপা মরি পোকপদা সুরেসনা অহুমশুবনি। সুরেস কুমজা ২০১২ দগী লাঙ্গোলগী গেম ভিলেজদা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল কিডস ক্যের স্কুলদা তম্লকখিবনি। ইমুংগী শেল-থুমগী ফীভম কা-হেন্না শোকচিল্লকপদগী স্কুলদগী সুরেসপু লৌথোক্লবা মমাঙদা হোংনখিবা লৈরবসু অতোনবা ফী শেংদোকপা ঙমদবনা লৌথোকপা ঙমদনা লাকপনা মমৈথংদদি বোর্ডিং ফীগী শেনফমদু লুপা লিশিং ২০/৩০ য়ৌরকপদগী স্কুল ওথোরিটিনা অকনবা প্রেসর পীদুনা শেল পীনবা অমদি অতোনবা শেনফম পীদনা অঙাং লৌথোকপা য়ারোই হায়না মচানা ফীভম শোক্লা নার-ফাওবদা ফাজিন্দুনা থম্বীখি হায়না পাউদম্লকই। অমুকসু অঙাংসি লাইরিক ফৈ স্কুলগী মায়কৈদগীসু য়েংবা য়াবা য়েংগনি, নখোয়নসু মাবু লাইরিক তম্বা তোকহনগনু হায়না মমাঙদা অঙাংদুবু লৌথোকপা চৎপদা হায়রকপা লৈ হায়। অদুবু সুরেস ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈত্রে। চিংননিঙাই ওইবা মীশি অমদা শিবদগী মহৈরোয় লূপশিং অমদি তৌপোকপীগী মীয়ামনা মিদিয়াদা অৱাবা ফোঙদোকপা অমদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়বগী পাউ ঐখোয়না তারে।

লাক্লিবা ৱাফমদি সুরেসপু ময়ুমদা স্কুল ওথোরিটিনা থিল্লকপদু ওগষ্ট ২৫ গী নুমিদাং পুং ৮:৩০ রোম তাবদনি। ডোক্টরদা লায়েংগদবা অনাবা নত্তে মাইবদা য়েংহল্লু অমদি তাং ৩১ নংনবা পৈশা পুরগা লাক্লবসু হায়রম্মী হায়। সুরেসকী ইমুংগী মীওইশিং লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংদবা ঙাক্তনি, তিঙক-মাইঙক্লনা অদুম লৈহৌরে। মথংগী নোংঙানবা অয়ুক্তা সুরেস লৈখিদ্রে। মশাদা ফুবী-চৈবীবগী দাগফমশিং মশীং থিঙমদনা লৈ, মশাসু শদোং য়াওদ্রে উনশানা কূপ্পা শরূ পোলাংগুম উরে হায়। স্কুল ওথোরিটিনা থিল্লক্লম্বা মতমদসু সুরেস ৱা ঙাঙবা ঙমদ্রে, মমিৎ পাংদ্রে, ৱাখল তাদ্রে। শিরিবা মীশিসি নেচরেল দেঠ অমদি মান্দ্রে।

প্রোব্লেম লৈবদা, ঈহৌ হৌবদা, ইস্যু শাগৎপদা ৱাত্তবা মণিপুরনি। অদুবু সুরেস মীশিসিদদি খোঙজেল তপ্পা চৎপগুম তৌই। গ্রেটর ইম্ফালগী মী ওইদবতা নত্তনা লায়র-অনংগী ইমুংগী মচা ওইবনা কা-হেন্না ঈথিল পীবা ঙমদবগী মরম ওইবসু য়াই। মিদিয়া হাউসনসু খরগা হেন্না অকনবা ঈথিল পীবিরক্কনি আশা তৌজে।

স্কুল অমা লিংখৎপদা তঙাইফদনা চঙবা চৎন-কাঙলোন লৈরমগনি মরমদি স্কুল হায়বসি অঙাং অমবু নৎত্রগা মীশক অমবু লৌশিং-জ্ঞান পীবখক নত্তনা মখোয়গী ৱাখলদা অকক্লবা মতীক-মগুণ, ৱাখল্লোন খরা পীবা ঙমগদবনি। খুন্নাই অমবু, মালেম অমবু মমায় চূমদুনা পুগদবা মীওই কয়াগী হৌরকফম্নি। অমুকসু 'থ্রী আর' হায়না খঙনবা রিডিং, রাইটিং, রিঠমেটিক হায়বসিখক্লা য়াদে, মী অমবু মপুং ফাবা মী ওইহনবা হায়বসিনা এদ্যুকেসনগী পান্দম ওইগদবনি হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা অকনবা মত থম্নরীবনি। পূম্নমকসিগী থৌদাংসি স্কুলনা পুরিবনি। অদুনদি স্কুল লিংখৎপা হায়বসি নিংথিনা ত্রেন তৌরবা মীওইশিং নত্তনা বিজিনেস মেট্রদা হেক্তা তৌশিনবদা য়াম্না লানবা ওইগনি। অদুবু লমদমসিদা লৈরিবা প্রাইবেট স্কুলশিংসিদা লৈঙাক্লা রিকগনাইজ তৌবা মতমদা চেকশিনবা ৱাৎপা অমদি মালেমগী থাক্কী নিয়মশিং ঙাক্লা য়েংশিন্দবনা ঙসি থোকহন্নিংদব কয়া থোক্লকপগী মরূনি। স্কুলগী ওজা টিচিং প্রোফেসন হায়বসিমকসু লাইরিক হৈবখক্লা, গোল্ড মেদলিষ্টখক্লা য়াদে। মখোয়দা হ্যুমেন ভেল্যু, স্পিরিচুয়েল অমদি কলচরেল ভেল্যু খঙহনবগী মথক্তা চাইল্ড সইকোলোজিগী লৌশিং নিংথিনা লৈগদবনি। হার্বাদ কম্মিটি ওন জেনরেল এদ্যুকেসনগী রিপোর্টতা এদ্যুকেসনবু মশক তাকপদা অসুম্না হায়বা থেংনৈ "These abilities in our opinion are to think effectively to communicate thought, to make relevant judgement to discriminate among values... Human personality cannot however, be broken up into distinct part of trait. Education must look to the whole of man. It has been wisely said that Education aims at the goodman, the good citizen and the useful man." (General Education in a free society, Reports of the Harvard Committee, Harvard University press 1952) অসিগুম্বা মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফমশিংদি স্কুল ওথোরিটি অমসুং ৱার্ডেনশিং য়াওনা ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাগনি। অদুবু সুরেসকী থোক্লিবা থৌদোকসিদদি পূম্নমকসি খঙবগী মমিদি তাদ্রে।

ভেল্যু এদ্যুকেসনগী ৱাফম অসি কুমজা ১৯৮৬ তা 'নেসনল পোলিসী ওন এদ্যুকেসন'নসু য়াম্না ময়েক লানা ফোঙদোরকই : ইন্দিয়াগী নিংতম আন্দোলনগী পুৱারী, কন্সটিট্যুসনগী শরুকশিং, কাঙলুপকী শক্তম নেসনল আইদেন্টিটি য়োকখৎনবগী মরী লৈনবা মচাকশিং, সেক্যুলরিজম, গণতন্ত্র, নুপী-নুপা মান্নবগী ৱাখল্লোন, কাঙলুপ-ফুরুপ অনেম-অৱাং খায়বগী ৱাখল মুখৎপা, য়াইফ-য়ুম্বাল অমদি কাঙলুপ খুদিংমক্কী ওইবা স্কৃটিগী মতাংনচিংবা প্রোমোট তৌগদবনি হায়না। ভেল্যু এদ্যুকেসন, ক্বালিটি এদ্যুকেসন হায়বসি পুরকপদা বোর্ডিংদা লৈবা মহৈরোয়বু ওৎপী-নৈবীবা, রেপ তৌবীবা, হাৎপীবনচিংবদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খোঞ্জেল ৱাংনা লাউদুনা অচুম্বা ৱায়েল চখদুনা য়াদে হায়বমা খঙহনফম থোকই। মদুতদা লৈঙাক্লা পী হায়রিবা প্রাইওরিটিগী ৱাহন্থোক লৈগনি।

মীনা মীবু মী ওইনা উবা ঙমদ্রবদি এদ্যুকেসনগী ৱাহন্থোকসি কদায়দনো? অমুকসু ঈজৎ অমদি নুংঙাইববু শেল (Money bubbles) খক্লা ফংগনি খল্লবদি তম্লুরিবা লাইরিক, ঙাঙলিবা ইংরেজি ময়াম, তৌরিবা হার্দ ৱার্ক ময়ামদু ভেল্যু এদ্যুকেন য়াওদবা রোবোট নৎত্রগা মেছিনমেন অমগুম্বনি। মখোয়না হ্যুমেন ভেল্যু খঙদবনা সুরেসকুম্বা কয়া লমদমসিদা শিরকখিবা য়াই।

লমদমসিগী মীয়ামসিসু অঙকপনি। ইস্যু বেজ (Issue based) তৌদনা পার্সনেলিটি বেজ (Personality based) তৌবদগী, থৌদোক অমদি ঈহৌদগী লন্নাই মীদনা হেন্না মরু ওইহনবদগী, হৌগদবা ঈহৌদি হৌদ্রে হৌরোইদৌবা ঈহৌ হৌদুনা পোলিটিকেল লুচিংবশিংগী য়াকা য়েংনা অয়াম্বা ঈহৌশিং হৌবগুম তৌই। লোয়ালমগী লায়রখ্রবা ইমুংদা আশাগী মৈঙাল ওইনা পীক্লা ঙাল্লম্বা মৈঙাল অমনা মুৎখিবদা অপোকপী মমানা থাপ্পা তাম্না 'ঐখোয়গীদি কনাসু লৈজদে, পান্মুইদা ইচাদো' হায়না তেংথাহৌবদুগী পাউখুম, ওপোর্চ্যুনিটি কোষ্ট (Opportunity Cost) ঐখোয়না পীফম থোকই। পোলিটিকেল লুচিংবশিংগী লন্নাই পুন্সিদা মীৎয়েং থমদনা থোক্লিবা থৌদোক্তা (Issued) ফোকস তৌরসি।

" The Road not Taken" গী অরোইবা পরেং অনী "I took the one less travelled by

And that has made all the difference"

শোয়দনা নীংশিংলমগনি করিগুম্বা সুরেসকী অপোকপা-অপোকপীনা রোবার্ট ফোর্সকী শৈরেংসি ফারম্লবদি। য়াইফনবনি খল্লুবা পুম্বনা তায়োন্নরক্লবদা তেংথাজবা নত্তনা করি উপায়নো। চেৎনা থমজবা ফিজিগী মণিনি মমা ওইবীগী 'নোংমদি' খন্না নুংশি-নুংশিনা চৎহনখিবনি। পুম্নমক্কী আশা পুদুনা থোকখিবনি হরাউ-মিনোক্কা লোয়ননা লোক্তাক খোঙবানগী অমনবা খাঙপোকনুংদগী অদুবু মালংবা ওন্দুনা হল্লকখি, খাম্বা য়াদনা লিরি-লিরি হুমদোকখি লোক্তাক্কী ঈথক ঈপোম মরক্তা, মনিংতম্লগে মতাগুম।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## বিলগী মরাইবক

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মণিপুরগী** য়েলহৌমী কঞ্জনবা হৌখিবা চহীদা এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অহুমগী মনুংদা অমনা প্রসিদেন্টনা ৱিথহোল তৌখ্রে, লেমহৌরিবা বিল অনীগী মরাইবকসু তম্বা ঙমদ্রি। চত্থখিবা এসেমব্লি মীফমদসু অনৌবা বিল পুথোক্লরোই হায়খ্রে। মসি ঐখোয় পূম্নমক্কী লাইবক থিবনি। চৈরকসিদা আই এল পিগী ঈহৌসি 'পান্দমদি চুম্মী লাল্লোংদি লাল্লি' হায়বা ৱাখল্লোনসু ফোঙদোক্লবা লৈখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়াদা আই এল পি চৎনরিবসি অৱাং নোংপোক্কী ত্রাইবেল ষ্টেটখক্তদরা খঞ্জে - মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশতা। মণিপুরদি নন ত্রাইবেল ষ্টেট ওইরুবনা সেন্টরনা আই এল পি চৎনহন্নিংদবা ওইরিগদ্রা? মরমদি মসি মণিপুরদা চৎনহল্লুবদা মাইগ্রেন্টগী ৱাথোক লৈরিবা নন ত্রাইবেল ষ্টেট অতোপ্পনসু চপ মান্নবা দিমান্দ তৌরকপগী ওইথোকপা লৈরোইদ্রা? চুড়াচান্দপুরগী লাইবক থিবা থৌদোক অদুনসু হেন্না মতেং পাঙশিনবগুম থোকখিব্রা? হায়জনীংলিবা ৱাফমদি মীতৈনা এস টি ওইদুনা ত্রাইবেল ষ্টেট মণিপুরনা আই এল পি দিমান্দ তৌবনা চুল্লোইদ্রা? জেনরেল কেটেগোরিদা লৈনা লৈনা ঐখোয়বু কনবিনবা ঙাক্লৌ পীবিয়ু হায়রগদি খরা খজিক তায়োন্নব্রা খঞ্জে। মরমদি ইন্দিয়া, জেনরেল কেটেগোরি হায়বসি হীরম খুদিংমক্তা ঙাক্লৌ অমত্তা য়াওদনা পূম্নমক্কা লম্বা পাবা অমদি মায়োক্লবা ঙমগদবা কাঙলুপনি খঞ্জে। করিগুম্বা ত্রাইবেল ষ্টেট ওইরবা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবা য়াদ্রবদি, অতোপ্পা ত্রাইবেল ষ্টেটতা চৎনহল্লগা, মণিপুরদা চৎনহন্দবগী, অচান-মীরাই নাইবা লৈঙাক মপুনা ফংফম থোকপা মহয়দু ফংজগনি। লৈঙাক্তা য়ারিবমখৈ লৈথোক্লনবা লম্বী পীরোইসি হায়জবনি। হৈরাংলিঙৈ য়ুরাংবগী ৱাফম নৎচদে। হোয় ত্রাইবেল ষ্টেট ওইরিবা মেঘালয়ানা আই এল পি দিমান্দ তৌরবসু চৎনহন্দ্রি, মসিদি মখোয়গী ঈহৌসি মণিপুরগুম্না কন্দবগী ওইগদ্রা খঞ্জে। নিংথৌ সোলোমোনগী ৱায়েলদা মচাগী থৱায়তবু কল্লবদি খন্দুনা অপোকপী মমানা মচাগী নুংশিববু কৎথোক্তুনা পোক্তবী মমাদা পীখিনবা ফীরেপ লৌখি। ঐখোয়সু য়েলহৌমী কঞ্জনবা 'নাপল' থাদোক্তুনা (কৎথোক্তুনা) এস টি ওইনা আই এল পিগী খোঙজং চঙশিনবা কায়দব্রা খঞ্জে। সি সি পুরগী ঈহৌবু লুচিংলিবা জে এ সিগা লৈঙাক্কা য়ানবা পুরকপীয়ু, লোয়ননা মীতৈনা এস টি ওইনা ত্রাইবেল ষ্টেট ওইরবা, মণিপুরনা আই এল পি দিমান্দ তৌবদা শোয়দনা মায় পাক্কনি খঞ্জে।

*অদোমগী - ৱাই সামো মীতৈ*
*তেরা সাপম লৈরক*

## নুংশিবনা মমি শাম্লকপসিদা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**তাইবঙ** মীওইবা অমা ওইনা পোক্লবা নহাকসে চহী কয়া য়াম্না পুন্সিগদৌরি? হিংলিবা নহাক নশামক্লা হায়বা ঙম্ব্রা? চহী চাম্মা য়ৌনা পুন্সিগদবা মীগী মশীং ইরমদমসিদা কয়া য়াম্লমগদৌরিবনো? লৈকায় অমদা, খুল অমদা অদুক অরাক অমা অনীগা লৈরমগদ্রা? মসিসু থাজবা ৱাৎলবনি। তৌনু হায়বা থবক্তুদা তৌরগা নুঙাইজবা মীগী মশীং করিগুম্বদা পরেং লেংহন্দুনা থিবদা ওন্থোক্লসু য়াম্লগনি। লমদমসিদা লৈরিবা মীশিংদগী নোংমদি শোয়দনা মশীং হেনগৎলক্কদৌরিবা বন্দ... তাথদনা হেনগৎতুনা লৈদৌরি? অপীকপা অঙাং অমদা বন্দগা সনারৈ পরেং অমগা কনানা মমল তাংবগে? বন্দদি নুমিৎ খুদিংগী অদুমক থোক্তুনতা লৈরবনিনা গ্যান কাবক-কাবক লৈরবা অঙাংদুনা খুম্লক্কদৌরিবা পাউখুমদা সনারৈগী লৈ পরেংনা তাংই হায়রক্কদৌরিবনি।

লমদমসিদা লৈরিবা উচেক ৱায়া খুদিংমক লমদমসিগী বন্দ, ব্লোকেদসি তোইমল্লক্তনা চিনফা পুদুনা লৈরবনি। অফবা অমা লৈরবদি মদুগী ওন্ন তৈনবদা অমদি শোয়দনা লৈরগদবনি। করিগুম্বদা মিত্তম অমা লৈতনা মমি লৈবা য়াবা নত্তে, অনানবা মফমদা চৎলবদি তুদনবগীদমক্তা চেকশিননা চৎপদা তুবগী চাং হন্থগদৌরিবনি। লাই ফত্তবগা, মী ফত্তবগা অনীসি মী ফত্তবনা শোয়দনা হেল্লমগনি? অফবসু ফত্তবসু হিংনবগী লম্বীদদি অনীমক হিংননবা হোৎনবা তাবনি। চহী অমগী চাবা কোন্নবা ফৌ, চেঙ মরাং কায়না লৈরগা নুঙাইরবনি হায়না খন্থোক্লুবা য়াবা নত্তে। লৈকায়গী, খুলগী, লৈবাক্কী ওইবা চৎনবীসু য়াওদবা য়াদনা য়াওদৌরিবনি। ইথন্তা হিংবগীদমক্তদি ইরায় লায়বনি। মসিমক কনাগুম্বনা হায়বা য়াওরিবনি। মথন্তা হিংবা পাম্বা নুপা অমনা বোরা অমা হৌনবা হোৎনবদা মপুন্সি কোন্নৈ হায়বগী ৱারী লৈরি। ৱারীদুদি বোরা অমা হৌনবা হোৎনবদা বেসোন, মরোই, থাউ, থুম, মোরোক, খাং, বোরা হৌবদা কোখৎনবা ঝরপ, মৈ হৌনবা শীং...? কয়াদা য়ামখ্রবনো? বেসোনসি ওইনবা হোৎনবদা চঙগদৌরিবা মতম করম তৌনা ওইরকপা অদুমক লৈরকপা নত্তে। হৱাই মঙ্গলদগী মিলদা তকখায়রগা মথং মথং মকু মনাই লৌথোকখ্রগা বেসোনগী মশক লাক্কদৌরিবনি। হৌনবা থাউসি ওইরক্লবা হোৎনবদা থাগদৌরিবা মফমদু খোইদোকপা তাবনি। খোইরবা মতুংদা হঙ্গাম মরুদু হুল্লবা মতুং মতম খরগী মতুংদা মপান শারক্তুনা হঙ্গাম মরু ওইরক্কদৌরিবনি। মরুদু কুলুদা নৎত্রগা মেছিন্দা...। পূম্নমক মী অমনা মথন্তা তৌবদা মপুন্সি লোইবনা হানগদৌরিবনি। ইথন্তা হিংবগী ৱাখল অশিংবা মী অমগী ৱাখল নত্তে। মহাক্তু খ্বাইদগী পাংবা মীনি লৌবদা কায়দ্রবনি। তাইবঙসিদা হিংলিবা খুদিংমক অমনা অমগী মতেং লৌনরগা হিংবনা তাইবঙগী চৎন-কাঙলোন্নি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা অচুম্বনি। মথন্তা হিংবসিনা নারক য়েক্লক্লবা মতমদা করি নুংগীনো খন্দনিঙাই লৈরোই। হিংলিঙৈগী মতমদা কাথা-করেংনবগী শাজৎ চৎপা, ৱা চাউনা চাউনা ঙাঙবা, থকসি-খাসি নাইদবা, মানদা ঙমগনি মখনবা মসিগুম্বা মীওই নোংমদি শোয়দনা মাগী লম্বা থোরক্কদৌরিবনি। মতমদুদা নুংশিদবা মীওইনা পেন্নগদৌরিবনি।

করিগুম্বদা মীওই অনী খৎনবদা অনীদুগী মনুংদা মমিং অমা পন্দুনা পেল্লেদকো হায়রবা নুংশিদবগী ৱাহৈনি। চাবা থকপদা, করিগুম্বা পোৎ অমা পীবদা পেল্লেদকো হায়বগা মান্নদবগুম্বনি। ঐগী ঐগী হায়বসিনা নুংশিনগদবদা নুংশিনদনবা হায়বদু ওইহল্লবনি। য়ারিবমখৈ ঐগী মী ওইনবা হোৎনবা মসিদগী হেনবা অতোপ্পা অমা অমুক লৈত্রবনি। করিগুম্বদা ঐগী ইতুংদা লেপ্পুনা করিদা শোয়খিগদগে খন্দুনা লৈরিবা নুংশিবদগীনি। নুংবু নুংশিদ্রবা উপ্রাংশিংনা লৈমায়দা তাদুনা লৈরবসু কান্দুনা চৎখিগদৌরিবনি। ইচিন ইনাও, মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈ ওইরবসু নুংবু নুংশিনদ্রবা লোইরবনি। নুংবু নুংশিনরবা হাও-পাঙল, ময়াঙ অমা ওইজসনু, মসিদগী হেনবা অতোপ্পা অমা লৈত্রবনি। নুংশিবগীদমক শাবী-শানৌ কয়া শিবা ঙস্বগী থৌনা লৈখিবা নুংশিবদগী ঙমখিবনি। মালেমদা লৈরিবা মীওই খুদিংনা অমনা অমবু নুংশিবগী থৌনা ইচং থৌনা লৈরবা, লোল তিন্নদ্রবসু থম্মোয় মশেলদা নুংশিনবগী খুদমদি শোয়দনমক্কী লৈতনিঙাই লৈরোই। নুংশিনবা ৱাৎলকপসিনা ঙসিগী হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় ময়ামসে কৈদৌঙৈ ফাওবা হিংগদৌরিবনো? খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ফাওনরবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*